# ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টকী নুপাগীদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৫-০দা অদুগা নুপীগীদসু ইন্দিয়ানা জপানবু ২-১দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে



তোকিও, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী)ঃ জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা হোক্কি মশান্নগী ওইনা লৈবাক মরীগী টেষ্ট ইভেন্ট শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী ইভেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ রোবিন লিগ মেচতা ন্যু জিলেন্দনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা টাইটল লৌখ্রে। নুপীগী মায়কৈদা ইন্দিয়ানা ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ জপানবু পাঞ্জল ২-১দা থোইনদুনা মখোয়সু টাইটল লৌবা ঙমখি।

তোকিও সিটিগী ওই হোক্কি ষ্টেদিয়মদা ঙসি অয়ুক নুপাগী ৩শুবা পোজিসনগী লম্বা তৌনখিবদা য়ুম্বু জপাননা মলেসিয়াবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইদুনা লৈবাক মরিগী টেষ্ট ইভেন্ট অদুদা ৩শুবা পোজিসন তাখি।

মেচ অদুগী মতুং ইন্দিয়াগী অমসুং ন্যু জিলেন্দনা নুপাগী ফাইনেল মেচ শান্নখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্তেন হর্মনপ্রিট সিংহনা অহানবা ক্বার্টরগী ৭শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অদুবু য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মখাতারকপা শান্নবগী মতমদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদা অহেনবা প্রেসর পীশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

অহানবা ক্বার্টর অদু লোয়রকপদা ইন্দিয়ানা ১-০দা হেন্দুনা লৈখিবনি মদুগী মতুং অনীশুবা ক্বার্টর অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজবা এটেক্কিং ওইবা মশান্না উৎপা ঙমখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী এটেক অমদগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শমসের সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

ক্বার্টর অদুস্মক্তদা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা নিলকান্ত শর্ম্মনা টিম অদুনা মখাতানা পুশিনখিবা এটেক অমদা ফিল্ড গোল অমা ২২শুবা মিনটতা চন্দুনা স্কোর অদু ৩-০দা লৈরিঙৈ গুরসাহিবজিৎনা মখাতানা ফিল্ড গোল্ড অমগা ২৬শুবা মিনটতা হাপচিন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪-০দা হেন্দুনা লৈখি।

ক্বার্টর অদু ইন্দিয়াগী এটেক অদুদা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোয়শিং করিগুম্বা মখল অমত্তগী পাউখুম পীবা ঙমখিদে। ক্বার্টর অদু লোয়দ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এটেক অমদা মন্দিপ সিংহনা পেনাল্টি কোর্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা ৫-০দা হেন্দুনা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দনা অনীশুবা হাফতগী হৌদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়গী খোংফম অদু য়াম্না চেকশিন্না শান্নদুনা লাকখিবা এটেক অমত্তা পাঞ্জল ওন্থোকহনখিদে। ক্বার্টর অদুগী ৩৭শুবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী তাঞ্জা ফংখিবা অমদা শাফু কন্না য়ৈশিল্লকখিবা বোল অদু মায়কৈখর ওন্নখিবদগী অরেম্বা তাখি। ৪শুবা ক্বার্টর অদুদসু ন্যু জিলেন্দ উপায় লৈখিদে ইন্দিয়ানা অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল ৫না মখোয় মায়থীবা নংখি।

ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসিগী নুপী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী টিমগা য়ুম্বু জপানগা ফাইনেল শান্নখি। পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসি ওলিম্পির টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা শান্নরকপখিবা মেচ অমত্তা মায়থীবা নংখিদ্রিবনি। অহানবা মেচতা ইন্দিয়না ঙসি ফাইনেল লম্বা তৌখিবা জপানবু ২-১ থোইখি। অনীশুবা মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগা ২-২দা দ্রো চৎখিবনি অদুগা অহুমশুবা মেচতনা চাইনাগা শান্নবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নবজোৎ কোরনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা জপানবু মাংজিল থাবা ঙমখি। অদুবু জপানগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা থংনবা মিনটতা মিনামি সিমিজুনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা টিম অনীম্মক ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ৩৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মিজোরাম মচা লালরেমসিয়ামিনা পেনাল্টি কোর্নর অমদগী থক্তোরকপা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা ফাইনেল মেচ অদু ২-১দা হেনখি। মখাতাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী ইন্দিয়ানা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# সুব্রটো কপ : মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী য়ুনিক মোদেল একাদেমি মায় পাকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী): সুব্রটো কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী দাইমন্দ জুবিলি এদিসনগী ওইনা ন্যু দিল্লিগী ডা. অম্বেদকর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী কাঙলূপকী ঙসি পুল দিগী মেচ অমদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা মণিপুরগী য়ুনিক মোদেল একাদেমিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অশোক নগর বোইজ সেকেন্দরি স্কুলবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী স্কুলগী ফুটবোল টিমশিং য়াওনা অতোপ্পা লৈবাক্কী টিমশিংসু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবনি। মপান লমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা আফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ, উজবেকিষ্টান, নাইজেরিয়া, শ্রী লঙ্কা, ইন্দোনেসিয়া অমসুং নেপাল য়াওরি।

টুর্নামেন্ট অসি নুপামচাগী চহী ১৪ মখা, নুপীমচাগী চহী ১৭ মখা অমসুং নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলূপ অহুম থোক্না লম্বা তৌনবনি।

ঙসি চহী ১৪ মখাগী পুল দিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী য়ুনিক মোদেল একাদেমিগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অশোক নগর বোইজ সেকেন্দরি স্কুলগা শান্নবা অদুদা অহানবা হাফতা য়ুনিক মোদেল একাদেমিনা অহেনবা মওংদা শান্নবা ঙম্বদগী ৩৭শুবা অমসুং ৪৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এস অনারোয়না পাঞ্জল অনী চনখি। অদুবু মেচ অদু লোইশিনবা ফাওবদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অশোক নগর বোইজগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে।

পুল ঐচকী মেচ অমদা মেঘালয়াগী দি দল্লিয়ু এস সী অমসুং গুজরাটকী ব্রজভুমি ইন্টরনেসনল স্কুল লম্বা তৌনখিবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

# মণিপুর মচা মহেসন, টাইসন অমসুং স্রিদার্থকী পাঞ্জল ৩না এস এ এফ এফকী য়ু-১৫দা ইন্দিয়ানা নেপালবু ৫-০দা থোইখ্রে



কলয়ানি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কলয়ানিদা লৈবাক ৫গী ওইবা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অন্দর ১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অহানবা মেচতা মণিপুরদগী হৌখিবা মহেসন, তাইসন অমসুং স্রিদার্থকী পাঞ্জল ৩ য়াওরগা ইন্দিয়ানা নেপালবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী শান্নরোয়শিং অসিনা মেচ অদু হৌবদগী নেপালগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক চথুবা ঙমখি। শান্নবগী ৬ শুবা মিনটতা তোংব্রম মহেসননা শাফু কন্না কাউশিনখিবা সোট অমা নেপালগী দিফেন্দর লান্থোক্তুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

ঙন্না পাঞ্জল অমা শোথরবা নেপালগী শান্নরোয়শিংসু ইন্দিয়াগী হাফতা বোল পুশিনবা হৌরকখি। মখোয়না শেমগৎলকপা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরিঙৈ শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা এটেক অমা চথুখি। অহানবা পাঞ্জল চনখিবা তোংব্রম মহেসননা ফিল্ডগী য়েৎ থংবা মায়কৈদা পুশিনখিবা বোল অদু য়াম্না ফজনা পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট সুবো পোলনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অহানবা হাফ য়ৌগদবা মতম য়ামশিল্লক্তুবদা এটেক লেপখিদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা পুশিনখিবা বোল অমদা কেপ্তেন অনিস মজুমদারনা ইন্দিয়াগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা নেপালবু ৩-০দা মাংজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়ানা চথুখিবা এটেক অমদা ফ্রি কিক অমা ফংখি। ফ্রি কিক অদু টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা লোইতোংবম তাইসননা য়াম্না ফজনা ওল্লগা চঙহনখিদুনা ইন্দিয়াগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

তাইসনগী পাঞ্জল অদু মতুং মিনট ৬ লৈরগা ইন্দিয়ানা মখা তাবা এটেক অমগী বোলদা টিম অসিগী ইন্টর্নেসনল মেচশিংদা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙল্লিবা মণিপুর মচা স্রিদার্থনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা নেপালবু খুৎ হনবা ঙল্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৫-০দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী লেমহৌবা পুংখাই অমা হেনবগী মতম অদুদা নেপালগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোকপা ঙমদনা ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা নেপালবু ৫-০দা থোইখি।

ইন্দিয়াগী কোচ বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা মহাক্কী টিম অদুবু চাওনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। অয়াম্বা মতমদা ষ্ট্রাইকর নোংমৈকাপ্পম স্রিদার্থনা পাঞ্জল চনবগী চাং ৱাংলবসু ঙসিগী মেচ অদুদা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংসু মখোয়গী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অসি টিম অমগী অশেংবা মশক অদু ওইরক্লি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা মেচতা ভুটানবু স্রি লঙ্কানা পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি। মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ভটানগী মায়কৈদগী কিনজান তেনজিননা ৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদু মহাক্কী পাঞ্জলনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ভুটানগী সোনম জুগদ্রুল সোজাংনা ৪৭ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমখি। স্রি লঙ্কাগী মায়কৈগী মখা তাবা মেচ অদু ফজরক্তুনা থুসমিকা জয়ালতনা ৫২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা হৌখি। ৭৩শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী ফর্নান্দো দেরিক্কা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। লোয়ননা মিনট ২০ রোম অকনবা মওংদা শান্নরবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমদা স্রি লঙ্কাগী মহদম সকিলনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৩-২দা মায় পাকখি।

৩শুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন্স এন্দ অন্দর-১৭ ৱিমেন্স হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯

# নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগীদা আইদিএল অমসুং ৱাই সী সী আই সী মায় পাকখ্রে, নুপামচাগীদা বি ঐচ থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহুমশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন্স অমসুং অন্দর-১৭ ৱিমেন্স হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী নুপামচাগী শান্নখিবা মেচ অহুমদা নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগীদা আইদিএল অমসুং ৱাই সী সী আই সী মায় পাকখ্রে, নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগীদা বি ঐচ বিষ্ণুপুর থোইখ্রে।



ঙসি অয়ুক খুমন লম্পাক্কী হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী নুপীগী মেচ অমদা বি ঐচ বিষ্ণুপুর অমসুং আইদিএল তেরা বজার লম্বা তৌনখি। মেচ অদু আইদিএল তেরা বজারনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা খুদুম চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ১৩ চল্লগা মায়থীবা পীখি।

আইদিএল তেরা বজারগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ টি অহিংবীনা পূন্না পাঞ্জল ৬ চনখি। অদুগা টিমমেট জর্সি নম্বর ১০ এস ঐচ তনুনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা টিম অদুগী অচৌবা থৌদাং লৌখি।

মেচকী অহানবা ক্বার্টরদা আইদিএল তেরা বজারগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম চনখি। মদুগী মতুং অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৪ চল্লগা মেচকী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা আইদিএল তেরা বজারনা বি ঐচ বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৭-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাফ অদুদা আইদিএলগী টি অহিংবীগী হেটট্রিক ফংখি। অদুগা তনুগীনা পাঞ্জল অনী চনখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা আইদিএল তেরা বজারগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনীখক চনখি। লোয়ননা মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টরদা মখা তানা পাঞ্জল ৪ হাপচিল্লগা পূন্না পাঞ্জল ১৩-০দা মায় পাকখি।

কাঙলূপ অসিগী নুংথিলদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপনা মৈরা বাসিখোংবু পাঞ্জল ১১-০দা থোইখি। ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৩ এন প্রিয়ানা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি। লোয়ননা জর্সি নম্বর ৫ কে প্রিয়াঙ্কা পাঞ্জল ২ অমসুং জর্সি নম্বর ২ এস বিবিরানিসু পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক লম্বা খরা মান্ননা শান্নরকপা মরম্না পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং অনীশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল অনী অমগা হাপচিনখি। লোয়ননা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ৱাই সী সী আই সী অহল্লুপনা মৈরা বাসিখোংবু পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা মখা তানা পাঞ্জল ৩ হাপচিল্লবা মতুং অরোইবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ৫ হাপচিল্লগা পাঞ্জল ১১-০দা চাউনা মায় পাকখি।

চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী কাঙলূপ্তা বি ঐচ বিষ্ণুপুরনা কে ঐচ এস সী খোংমনবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইখি। বি ঐচকী মায়কৈদগী টি ঐচ রোজিট অমসুং এন রোহিটনা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি। অদুগা টিমমেট রিসিকান্তনা পাঞ্জল অমা চনখি। অমরোমদা কে ঐচ এস সী খোংমনগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু কে এস ঐচ বোরিসনা চনখি।

# ভুটিয়া অমসুং রিজিজুনা ওফ-ব্লু ফ্রীদম ফ্লেগ ওফ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী): এসিয়াদা অহানবা ওইনা আর্ম ফোর্সেস ভেটরান ৮না পূনশিল্লগা হায় এন্দ এদভেঞ্চরস স্পোর্টস সর্ভাইভেল ট্রেনিং অমসুং সেল্ফ দিফেন্স মিসন অমা ওইরিবা 'ওফ-ব্লু ফ্রীদম' ঙসি ন্যু দিল্লিগী টালকোটরা গার্দেন্দা লৈবা স্বিমিং পুল কমপ্লেক্সতা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু অমসুং মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় ভৈচুং ভুটিয়ানা দিলল্লি-এন সী আরগী লেগ অদু ফ্লেগ ওফ তৌখ্রে।

পেরা রেজিমেন্টকী এলিট স্পিসিয়েল ফোর্সকী ভেটরানশিং য়াওনা স্পিসিয়েল ফোর্সেস এদভেঞ্চর হায়না মীংথোনবা প্রোজেক্টকী মখাদা 'ওফ-ব্লু ফ্রীদম' অসি লৈবাক শিনবা থুংনা দিফরেন্টলি এবল্ড মীওইশিং এবল্ড মীওইশিং পূন্না য়াওমিন্নবা য়াবা স্কুবা দাইভিং প্রোগ্রামনি। হায়রিবা 'ওফ-ব্লু ফ্রীদম' অসি জুলাই থাদা চান্দিগড়াদা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবনি।

টালকোটারা স্বিমিং পুল কমপ্লেক্স অসিদা ঙসি ফ্লেগ ওফ তৌখিবা স্কোবা দাইভিং প্রোগ্রাম অসি হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবা অয়ূক পুং ৯দগী ৫ ফাওবা ঈশিং মনুংদা দাইভ তৌবগী সেসনশিং থমগনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং অদুদা সর্ভাইভেল টেক্নিক, ইমর্জেন্সি ফর্ষ্ট রেসপোন্স স্কিলশিং, অন আর্ম কোম্বেদ এন্দুরেন্স অমসুং ফিটনেসকী ওইবা থবক থৌরম কয়া য়াওরি। এদভেঞ্চর অসি ইন্দিয়ন আর্মি পেরা কম্মান্দো অমসুং নেভেল মেরিন কম্মান্দোশিংগী অপূনবা ভেটরানশিংনা ইন্সত্রক্টর ওইরি।

স্বচ্ছ ভারত

চহী নৌরিবঙৈদা
মরূ হুল্লু মপূং
ফাবা চহীদা
লোকপা য়ানবা



nps national pension system
Save Right Retire Bright

এন পি এস খঙমীন্নবা

এন পি এস হায়বসি করিনো?
ঙসি অপিকপা শেনফম তুংশিন্দুনা তুংদা অদোম্না থবক্তগী পোথারবা মতমদা অচৌবা শেনফম অমা লাক্নবগী টেক্নোলোজিনা শেল্লবা সিষ্টেম অমনি।

করিগীদমক এন পি এস ?
- মমল য়ামদবা পোথোক
- থবক তৌবা, থবক পীরিবা অমসুং তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগী টেক্সতা কান্নবা পীবা
- মীয়াম্না পামগদবা মার্কেট লিঙ্ক রিটর্নশিং
- কোম্না পোর্ট তৌবা য়াবা
- এক্সপরিএন্স লৈরবা পেন্সন ফন্দগী মতাংদা প্রোফেস্নেলশিংনা শিন লাংবা
- পি এফ আর দি এনা রিগুলেট তৌবা
- শুপ্নগী লুপা ৫০০না একাউন্ট হাংদোকপা য়াবা

কনানা শরুক য়াবা য়াই ?
মখাদা পীরিবা কাঙলোন অসি লৈরবদি নহাকসু শরুক য়াবা য়াই :
- ইন্দিয়াগী সিটিজন; রেসিদেন্ট নৎত্রগা নন রেসিদেন্ট
- শরুক য়াবা মতমদা মশাগী চহী ১৮দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা
- তলব ফংবা নৎত্রগা মশানা থবক পীজবশিং

টেক্সকী কান্নবা অমসুং এন পি এস
- এন পি এসনা লুপা লিশীং ৫০দগী হেনবগী সেভিং তৌবদা কান্নবা পীরি লোয়ননা ইনকম টেক্স এক্ট ১৯৬১গী সেক্সন ৮০ সী সী ঈগী মতুংইন্না লুপা লাক্ষ ১.৫০দগী হেনবগীসু মতম মতমগী ওইনা শেমদোকপগী মতুংইন্না দিদক্ত তৌবা য়াই লোয়ননা লুপা লিশীং ১৫,৪৫০ গী অহেনবা চ্যেকসু সেভিং তৌবা য়াই।
- এন পি এসতা ইনভেষ্ট তৌদুনা লুপা লাক্ষ ২ ফাওবগী টেক্স দিদক্সনগী কান্নবা অদু লৌবা য়াই।

এন পি এসকী মরমদা হেন্না খঙনবা অদোমগী খ্বাইদগী নকপা পি ও পি - এস পি টোল ফ্রী নম্বর ওইরিবা ১৮০০ ১১০ ৭০৮দা কোল তৌবীয়ু নৎত্রগা ৫৬৬৭৭* দা এস এম এস তৌবীয়ু (*ষ্টেন্দর্দ চার্জ লৌগনি) নৎত্রগা ৱেবসাইট www.npstrust.org.in দা চঙবীয়ু

NPS TRUST National Pension System Trust
Regulated by PFRDA

হেন্না খঙনবা মসি স্কেন তৌবীয়ু

davp 15102/13/0003/1920

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com